# য়ু এসকী সিনেটনা দোনাল্ড ট্রম্পকী টেক্স রিফোর্ম বিল পাস তৌখ্রে



ৱাশিংটন, ডিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :

চহী ৩০ হেনবগী মনুংদা য়ু এসকী টেক্স কোদ মপূং ফানা শেমদোক্কদবা টেক্স রিফোর্ম বিল অমা সিনেট রিপব্লিকানশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাস তৌখ্রে। পেকেজ অদুনা ইনাকখুনবশিং অমসুং কোর্পোরেসনশিংবু কান্নগনি হায়বা ক্রিটিসিজমশিং লৈরবসু মদুনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পপু মহাক্কী অহানবা অচৌবা লেজিসলেটিভকী মায় পাকপরোমদা নকশিনহল্লগনি হায়রি।

কোর্পোরেসনশিংগী পর্মনেন্ট টেক্স ব্রেকশিং অমসুং ইন্দিভিজ্যুঅলশিংগী টেম্পররি টেক্স কটশিং য়াওবা ট্রিলিয়ন দোলর ১.৫ গী টেক্স বিল অদু সিনেটনা ফাইনেল ভোট ৫১-৪৮ কা লোয়নননা এপ্রুভ তৌখি।

মমাঙদা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টে-টিভসনসু বিল অদু ইরায়-লায়না এপ্রুভ তৌখি। হাউসতা মদু ভোট ২২৭ তগী ২০৩ ফাওবনা পাস তৌখি। হৌজিক কোংগ্রেসকী হাউস অনীমক্তা রিপব্লিকানশিংনা মেজোরিটি ওইরি।

লেজিসলেসন অদু অরোইবা অয়াবা লৌনবগীদমক্তা প্রসিজরেল ইস্যুগা মরী লৈননা হাউসতা অমুক হন্না থাজিল্লবা মতুংদা হ্বাইট হাউসতা থাজিল্লগা প্রসিদেন্টনা সাইন তৌরগা লো ওল্লগনি।

এক্ট ওল্লবা মতমদা লেজিসলেসন অদুনা কুমজা ১৯৮৬ কী মতুংদা অহানবা ওইনা য়ু এসকী টেক্স কোদতা অহোংবা কয়া লাকহল্লগনি।

বিল অদু পার্টিশিংগী ৱারেপ মতুং ইন্না পাস তৌখি। ভোটিং য়াওবা সিনেটকী রিপব্লিকান খূদিংমক্না বিল অদুবু শৌগৎতুনা ভোট পীখি অমসুং ডেমোক্রেট খূদিংমক্না মদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি।

চহী কয়ামুক থবক তৌরক্লবা মতুংদা ঐখোয়না খ্বাইদগী মপূং ফারবা প্রো-গ্রোথ ওইবা টেক্স কোদ শেমদোকপগী বিল পাস তৌরগনি। অমেরিকানশিংনা হেন্না চাউবা পেচেকশিং অমসুং হন্থরবা টেক্সশিংগী মওংদা খুদক্তা রিলিফ উরগনি হায়না হাউস ওফ রিপ্রজেন্টে-টিভসকী স্পীকর কোংগ্রেসমেন পোল র‍্যাননা ফোঙদোকখি।

সিনেটনা থবক-ইনখাং শুরিবা ইমুংশিং অমসুং থবক পুথোক্লিবশিং-গীদমক্তা খৃষ্টমাসকী টেক্স কট অমা ফংহন্নবা ভোট পীখিবগা ইরোয়নন্না ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা ভোট অদু অমেরিকান মীয়ামগী পুৱারীদা লৈহৌরগদবা মায় পাকপা অমনি হায়না শীংথাখি।

মসি ট্রম্পনা প্রসিদেন্সি পায়রকপা অহানবা চহীগী অহানবা লেজিসলেটিভ মায় পাকপনি হায়না লৌনৈ।

# য়েমেনগী রেবেলশিংনা কাপশিল্লকখিবা মিসাইল অমা সাউদি অরাবিয়ানা কাপথখ্রে

রিয়াধ, ডিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :

ঙরাং রিয়াধকী খা থংবা শরুক্তা কাপশিল্লকখিবা মিসাইল অমা লমখাংদা কাপথখ্রে হায়না য়েমেনগী সিয়া রেবেলশিং থেংনরিবা সাউদিনা লূচিংবা কোলিসননা ফোঙদোকখ্রে। রেবেলশিংনা মদু কিংদম অদুগী কেপিটেলদা লৈবা রোয়েল পেলেসতা চথুরিবা 'টোপ লীদরসিপ' কী মীটিং অমদা টার্গেট তৌরিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মদু থা অনীগী মনুংদা রেবেলশিংগী প্রোজেক্টাইল অমা রিয়াধ য়ৌনা কিংদম অদুদা কাপশিল্লকখিবা অনীশুবা থৌদোকনি।

হৌথিশিং হায়না খঙনবা য়েমেনগী রেবেলশিংনা হায়খি, মখোয়না রিয়াধতা লৈবা য়ামামা পেলেসতা টার্গেট তৌদুনা বলিষ্টিক মিসাইল অমা কাপশিনখি। নিংথৌ সালমাননা চেয়র লৌদুনা চয়োলগী ওইবা গভর্নমেন্ট মীটিংশিং রিয়াধতা পাঙথোকই লোয়নননা মালেমগী লূচিংবশিংসু কেপিটেল অসিদা ওকই।

সাউদি ষ্টেট টি ভিনা য়ু এসনা শৌগৎপা কোলিসনগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা ফোঙদোকখি মদুদি, মিসাইল অদু হৌথিশিংনা কাপখিবনি। লমখাংদা থৎখিবা মিসাইল অদুনা থোইদোকপা অমাঙ-অতা থোকহনখিদে হায়না ষ্টেট টি ভিনা ফোঙদোকখি।

মিসাইল লোঞ্চ অদুনা হৌথিশিংবু ইরাননা মখা তানা লেপ্তুনা সপোর্ট তৌরি হায়বসি প্রুভ তৌরে হায়না কোলিসননা তুংদা ফোঙদোকখি। কিংদম অদুদা টার্গেট তৌবদা শীজিন্নবা অসিগুম্বা মিসাইলশিং য়েমেনদা লোন্না পুশিনবদা রেবেলশিংনা রিলিফ ৱার্ক আউটলেটশিংসু শীজিন্নৈ হায়নসু কোলিসননা নৌহৌননা ক্লেম তৌখ্রে।



রিয়াধতা লৈবা মীওইশিংনা ঙরাং সোসল মীদিয়াদা থাগৎখিবা ভিদিওশিংনা হৌনা পোকখায়বগী মখোল অমা তাখ্রবা মতুংদা অতিয়াদা মৈখু মপৈ মচা অমা কাবগী শক্তম উৎখি।

টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা রেবেল লীদর অব্দুল মালিক অল-হৌথিগী ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, হৌথিশিংগী খূৎলায়গী পুক্কৈদা লৈরিবা মিসাইলশিংগী রেঞ্জ হেনগৎলে। 'ঐখোয়গী শাংলবা খূৎসি অতৈ মফমশিংসু য়োনগনি' হায়না মহাক্না হায়খি।

কোলিসনগী মরুওইবা মেম্বর অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসকী গভর্নমেন্ট লৈফমদা রিফরেন্স পীরদুনা মহাক্না হায়খি, 'নখোয়না সানাদা মখা তানা টার্গেট তৌরিমখৈ ঐখোয়না অবু দাবি অমসুং সাউদি কেপিটেল রিয়াধতা টার্গেট তৌগনি। থা অসিগী অঙনবদা হৌথিশিংনা ক্লেম তৌখি মদুদি মখোয়না এমিরেটসকী শাবা লোইদ্রিবা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অমদা মিসাইল অমা কাপশিনখি। য়ু এ ঈনদি ক্লেম অদু য়াখিদে।

হৌখিবা নবেম্বর ৪ দা হৌথিশিংনা সাউদি অরাবিয়াগী রিয়াধতা লৈবা ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা টার্গেট তৌখি অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা মদু লমখাংদা থৎখি হায়না ফোঙদোকখি। য়ু এসনা শাবা সাউদি অরাবিয়াগী লৈমাইদগী নোংথক্তা কাপ্পা পেট্রিয়ট এন্টি মিসাইল সিষ্টেমনা নবেম্বর ৪ গী মিসাইলদু কাপথখিবনি হায়না প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ক্লেম তৌখিবনি।

# ফাইজাবাদকী প্রোটেষ্টশিংদা আর্মি চেন্নরম্লবদি ঐহাক রিজাইন তৌগনি : পাক আর্মি চীফ

ইস্লামাবাদ, ডিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :

হন্দক্তা চয়োল কয়া কেপিটেল ইস্লামাবাদকী মহৌশাগী ফিভম কায়হনখিবা পাক-শন্না চথুখিবা প্রোটেষ্টশিংদা মিলিটরি চেন্নরম্বা থোক্লবদি মহাক রিজাইন তৌগনি হায়না পাকিষ্টান আর্মিগী চীফ জেনরেল কমর রাজৱানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

টেহরিক-ঈ-লবাইক য়া রশুল অলাহ (টি এল ৱাই) অমসুং মসিগা মীচং ওইনবা গ্রুপশিংনা পাকিষ্টানগী সিটি কয়াগী হায়ৱেশিং অমসুং রেলৱে লাইনশিংদা চয়োল অহুমলোম প্রোটেষ্টশিং অমসুং সিট-ইনশিং পাঙথোক্তুনা লম্বী চৎথোক-চৎশিন অমসুং রেল ট্রাফিকতা অকায়বা থোকহনখি।

ইস্লামাবাদকা গেরিসন সিটি রাৱালপিন্দিগা শম্নহল্লিবা ফাইজাবাদ ইন্টরচেঞ্জ পাইশিন্দুনা প্রোটেষ্টরশিংদুনা কেপিটেল ইস্লামাবাদপু চয়োল অহুমলোম মহৌশাগী থবক থৌরম কয়া পাঙথোকহনখিদে।

মখোয়না ইলেক্সন এক্ট ২০১৭ কী খতমি-ঈ-নবুৱাট (ফাইনেলিটি ওফ প্রোফেটহুদ) ওথকা মরী লৈনবা লোদা অহোংবা লাকহনখিবগা মরী লৈননা লো মিনিষ্টর জহিদ হমিদপু মফম লৌথোক্লবা ডিমান্দ তৌখি। প্রোটেষ্ট অদু আর্মিনা শীন্দুনা গভর্নমেন্ট অমসুং প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তা ৱারী শানহনবদগী লো মিনিষ্টর হমিদ রিজাইন তৌবগী ফিভম লাকখিবগা লোয়নননা লোইশিনখি।

সিনিয়র আর্মি ওফিসর অমনা প্রোটেষ্টরশিংদা শেল পীবা উৎপা ভিদিও ক্লিপ অমা থোক্লকখিবদগী ঈরাং অদুদা আর্মিনা থোইদোকপা থৌদাং লৌরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈখি। অদুম ওইনমক মিলিটরিনা প্রোটেষ্টরশিংদা সপোর্ট পীবগী ৱাফম বাজৱানা রিজেক্ট তৌখি। করিগুম্বা ফাইজাবাদকী সিট-ইন অদুদা মিলিটরি চেন্নরম্বা থোক্লবদি মহাক রিজাইন তৌগনি হায়না মহাক্না চেৎনা ফোঙদোকখি।

'ফাইজাবাদকী সিট-ইন অদুনা ঐহাকপু লাল মাসজীদকী থৌদোক নীংশিংহনখি অমসুং ঐহাক্না ডি জি আই এস আইদা প্রোটেষ্টরশিংগা ডাইলোগ চথনবা হায়খি হায়না এক্সপ্রেস ট্রিব্যুননা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

ৱারী শানবদুগী মতুংদা প্রোটেষ্টরশিংনা অহানবদা ডিমান্দ মরি তৌরম্বদগী অমখক্তা হন্থরকখি হায়বা খঙখি হায়না ট্রিব্যুনগী রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

প্রোটেষ্ট অদুগা মরী লৈননা পাকিষ্টান মুস্লিম লীগ-নৱাজগী সিনেটর মুসাহিদুলাহ খানগী ৱাহংগী পাউখুম ওইনা বাজৱানা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

# অল্ফা সেন্টোরাই সিষ্টেমগী মনাক্তা নাসানা ২০৬৯ ফাওবগী মনুংদা স্পেস প্রোব থারগনি

ৱাশিংটন, ডিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :

ঐখোয়গী সোলর সিষ্টেমগী ৱাংমদা থৱায় পানবশিংগী খুদম চাংদমশিং থিবা ওইনা য়ু এসকী স্পেস এজেন্সিনা কুমজা ২০৬৯ ফাওবগী মনুংদা অল্ফা সেন্টোরাই সিষ্টেমগী মনাক্তা স্পেসক্রাফট অমা থাবা ঙম্বা য়াই হায়না নাসাগী সাইন্টিষ্ট অমগী মিসন কনসেপ্ট অমনা হায়রি।

মিসন কনসেপ্টতুগী অকুপ্পশিংদু ন্যু ওর্লিয়ন্স, লুইজিয়ানাদা পাঙথোকপা ২০১৭ কী অমেরিকান জিও-ফিজিকেল য়ুনিয়ন কনফরেন্সতা নাসাগী জেট প্রপলসন লেবোরেটরিগী এম্লোনি ফ্রীমেননা পুথোকখি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ন্যু সাইন্টিষ্টকী রিপোর্ট অমনা হায়খি।

অসিগুম্বা মিসন অমদা নাসানা তঙাইফদনা পাম্লিবা টেক্নোলোজি অয়াম্বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈত্রিবা ওইরবসু মদুদা মঙালগী স্পীদকী শরুক ১০ থোকপগী অমা য়াঙনা চৎপা ঙম্বগী তঙাইফদবা লাকপা য়াই হায়রি।

কুমজা ২০১৬ কী য়ু এসকী ফন্দিং বিল অমনা কনসেপ্ট অদুদা ইনোৎ হাপখিবনি। বিল অদুনা নাসাদা কুমজা ২০৬৯ ফাওবগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মঙালগী স্পীদকী চাদা ১০ য়ৌবা ঙমগদবা ইন্টরষ্টেলর ট্রাবেলগী মরমদা ষ্টদি তৌনবা হায়খি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

আর্থতগী লাইট-য়র ৪.৩ লাপ্পা সেন্টোরসকী কোন্সটেলেসনদা লৈবা অল্ফা সেন্টোরাই সিষ্টেম অসি আর্থকা খ্বাইদগী নকশিন্নবা থৱান্মীচাক (ষ্টার) সিষ্টেমনি। মদুদা থৱান্মীচাক অহুম লৈ মখোয়দুদি - সেন্টোরাই এ, সেন্টোরাই বি, অমসুং প্রোক্সিমা সেন্টোরাইনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা য়ুরোপিয়ন সাউদর্ন ওবজর্ভেটিরি (ঈ এস ও) না আর্থকা চাউবা মান্নবা প্লানেট অমা প্রোক্সিমা সেন্টোরাইগী অকোইবদা লৈবা লাইফ ফোর্মশিং লৈবা য়াবা জোনদা ওর্বিটিং তৌরম্বা থেংনখি।

অষ্ট্রোনোমিকেল জর্নেলদা ফোংখিবা অনৌবা রিষর্চ অদুনা অল্ফা সেন্টোরাই এ অমসুং বিগী অকোইবদা আর্থকা মান্নবা অপিকপা প্লানেট খরা লৈরম্বা য়াবগী ইঙ্গিৎ পীখি।

হৌজিক্কী ওইনদি মীনা শাবা স্পেসক্রাফট অমখক ঐখোয়গী সোলর সিষ্টেম থাদোক্তুনা চৎখি। ভোয়েজর - ১ হায়না খঙনবা স্পেসক্রাফট অদু চহী ৪০ গী মমাঙদা থাগৎখি অমসুং হৌজিক পুংদা মাইল ৩৮,০০০ রোম য়াঙনা হায়বদি মঙালগী স্পীদকী চাদা অমা য়ৌদনা স্পেসতা পাইরি।

## LIBRARY AND INFORMATION CENTRE, KAKCHING

**RESULT OF THE**

**12th Mayanglambam Achou and Bimol Memorial Competitive Examination in English for Class X-2017 (State Level Exam. 2013) Held on 10-12-2017**

| Rank | Name of Student | School |
|---|---|---|
| 1. | Angela Athokpam | Little Flower School, Sangaiprou |
| 2. | N. Bebilata Devi | P.R. English School, Kakching |
| 3. | Yaiphabi Mayengbam | Little Flower School, Sangaiprou |
| | B. Balkrishna Sharma | P.R. English School, Kakching |
| 4. | K. Reniwar Kom | P.R. English School, Kakching |
| 5. | S. Sophia Devi | P.R. English School, Kakching |
| 6. | Kh. Thoiba Singh | P.R. English School, Kakching |
| 7. | S. Roshina Devi | Khongjom Std. E/S, Khongjom |
| 8. | Md. Atikur Rahaman | Victory High School, Kakching |
| | N. Clinton Singh | P.R. English School, Kakching |
| 9. | Galina Moirangthem | P.R. English School, Kakching |
| | N. Priya Devi | P.R. English School, Kakching |
| 10. | L. Rajcolin Singh | Khongjom Std. E/S, Khongjom |
| | Ksh. Rahul Singh | Victory High School, Kakching |
| | Rishikanta Khundongbam | Khongjom Std. E/S, Khongjom |
| 11. | L. Rohenkumar Singh | P.R. English School, Kakching |
| | Daina Sapam | Khongjom Std. E/S, Khongjom |
| 12. | Cheshabam Sanatomba | Martin Grammar School, Kakching |
| | N. Sobash Singh | Martin Grammar School, Kakching |
| | P. Gestina Devi | P.R. English School, Kakching |
| 13. | N. Mangaal Singh | P.R. English School, Kakching |
| 14. | M. Banison Singh | Kakching Public School, Kakching |
| | N. Bhagyaraj Singh | P.R. English School, Kakching |
| | M. Bhorot Singh | Martin Grammar School, Kakching |

**RESULT OF THE**

**9th State Level Chandragulap Memorial Mathematics Competition for Class X-2017 Held on 10-12-2017**

| Rank | Name of Student | School |
|---|---|---|
| 1. | B. Balkrishna Sharma | P.R. English School, Kakching |
| 2. | Yaiphabi Mayengbam | Little Flower School, Sangaiprou |
| 3. | Deepak Oinam | St. Joseph's Hr. Sec School, Sangaiprou |
| 4. | Angela Athokpam | Little Flower School, Sangaiprou |
| 5. | N. Mangaal Singh | P.R. English School, Kakching |
| | N. Jonex Singh | P.R. English School, Kakching |
| 6. | N. Bebilata Devi | P.R. English School, Kakching |
| 7. | S. Roshina Devi | Khongjom Std. E/S, Khongjom |
| 8. | Kh. Thoiba Singh | P.R. English School, Kakching |
| | N. Bhagyaraj Singh | P.R. English School, Kakching |
| 9. | S. Sophia Devi | P.R. English School, Kakching |
| 10. | L. Rohenkumar Singh | P.R. English School, Kakching |
| 11. | N. Clinton Singh | P.R. English School, Kakching |
| 12. | K. Reniwar Kom | P.R. English School, Kakching |

**Prizes will be presented on 24/12/2017 at 1 p.m. at Library Auditorium of the Centre.**

*Sd/-* **Ksh. Joykumar Singh,** ***Secretary***
Library and Information Centre
Kakching, Manipur

HL-B/4295/21

# নোর্থ কোরিয়াবু কাইহৌদনবা জোইন্ট ড্রিলস য়েথোক্কদৌরি

সিওল, ডিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :

নোর্থ কোরিয়াবু কাইহৌবা থোক্তনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মথং রাউন্দগী জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজশিং থীন্থনবা খন্নরি হায়না ঙসি কেপিটেল সিওলদা প্রসিদেন্সিএল ওফিসনা ফোঙদোকখ্রে।

অচৌবা মিলিটরি এক্সরসাইজশিং অদুবু থীন্থবা হায়বসি পিয়োংয়াংদা পীছ লিংমিন্নবা পাম্বগী শীংথানিংঙাই ওইরবা ইঙ্গিৎ অমা পীবগা মান্নরগনি অমসুং খোঙথাং অসিনা ৱিন্টর গেমসতা নোর্থ কোরিয়ানা য়ৈখাই-থিনগায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়না সিওলনা চিংনরম্বদু উৎলি হায়রি। গেমস অদু কোরিয়া অনীগী বোর্দরদগী খারোমদা মাইল ৫০ দমক লাপ্পা মফমদা ফেব্রুৱারি ৯ দগী হৌগদবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা য়ু এসকী অম্বেসেদর নিকি হেলিনা গেমস অদুদা য়াওগদৌরিবা অমেরিকান এথলেটশিংগী সেফটিগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মদুগী তুংদা অমেরিকান এথলেটশিংসু গেমস অদুদা শরুক য়ারগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়ন প্রসিদেন্ট মূন জে-ইননা হায়খি মদুদি, মহাক্না য়ু এস মিলিটরিদা জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজশিংদু ৱিন্টর ওলিম্পিক্স লোইরবা মতুংদা ওইনা পাঙথোক্লবা হায়খ্রে। সিওলদা বেজ তৌবা অমেরিকান কম্যান্দনসু ৱাফমদু খন্নরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# রেবেল ভিলেজদা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা মীওই ১৯ শিখ্রে

*দামাসকস, ডিসেম্বর ২০ (এজেন্সি) :*

*ঙরাং অহিং কোরিয়াগী রেবেল ষ্ট্রোংহোল্ড ইদলিবতা লৈবা খুঙ্গং অমদা চথুখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা মীওই ১৯ শিখ্রে হায়না মফমদুগী রেস্ক্যু সর্ভিস অমসুং সিরিয়ন ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। ষ্ট্রাইকশিং অদু নোর্থৱেষ্টর্ন ইদলিব প্রোভিন্সকী মার সুরীনদা হিট তৌখি অমসুং অতৈ মীওই ২৫ সু অশোক-অপন নংখি হায়না বৃটেনদা বেজ তৌবা ওবজর্ভেটরি অদুনা ফোঙদোকখি। শিখিবশিংদুগী মনুংদা অঙাং ৭ য়াওখি হায়রি। ৱার মোনিটরিং গ্রুপ অদুনা হায়খি মদুদি, সিরিয়ন গভর্নমেন্ট নৎত্রগা রসিয়ন এয়রক্রাফটনা ভিলেজ অদুদা ষ্ট্রাইক তৌখি। অমরোমদা রসিয়ন ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা থৌদোক্তুদা রসিয়ন এয়রক্রাফট চেন্নদে হায়খি।*

*রিয়া ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙবা ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল অমনা এরিয়া অদুদা রসিয়ন জেটশিং পাইখিবা লৈতে হায়খি। সিরিয়ন মিলিটরিনা থৌদোক্তুগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা কম্মেন্ট পীখিদে, শুপ্ন গী মিলিটেন্টশিংদমক টার্গেট তৌই হায়খি। রেবেল টেরিটরিদা ওপরেট তৌবা হ্বাইট হেলমেটস হায়না খঙনবা রেস্ক্যু সর্ভিস অমা ওইরিবা ইদলিবকী সিভিল ডিফেন্সনা শাথীবা বোমিং অদুদা মীওই ১৯ শিখি হায়না সোসল মীদিয়াদা ফোঙদোকখি।*

*থংন-থংননা ষ্ট্রাইক অনী চথুখি। অনীশুবা ষ্ট্রাইক অদু রেস্ক্যু টিমশিং থুংলমদাইদা পাঙথোকখি হায়না সিভিল ডিফেন্সকী মকোক মুষ্টাফা য়ৌসেফনা ফোঙদোকখি।*

## / GRATITUDE



Ashok Kumar

I owe much to **Sir Ashok Kumar** for healing my sickness. In fact, I have been suffering from **Frozen Shoulder** for 4 (four) months. I had so much physical discomfort as severe pain and burning sensation in right arm side. I could not raise my hands and move anything due to unbearable pain. All such agonies are relieved after only just 5 days treatment at **Ashok Kumar Health Care Centre, Near E.S.U. Ground, Palace Compound, Imphal, ☎ 9612988625.** I am heartily grateful to Sir Ashok Kumar for his incredible treatment. May God bless him.

*Sd/-* **Mr. D. Heni**
Punanamei Village, Mao

HL-P/254/21


## /রেজিষ্টর তৌজরগনি

**Padma Health Care and Research Institute, RIMS Road, Lalambung Makhong** হায়না মীংথোনবা ইন্সটিট্যুট অমা রেজিষ্টর তৌজরগনি। মসিদা কনাগুম্বা য়েৎনিংবা লৈরগদি নুমিৎ ৫ (মঙা) নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

*Sd/-* **Dr. A. Vivekananda Singh**
Padma Health Care and Research Institute
RIMS Road, Lalambung Makhong

HL-P/256/21

## /অৱাবা ফোঙদোকচবা




মতম শাংনা ৱাংব্রেল ঈরৈমা হরাউবা থৌগল্লুপ, খেকমনগী মেম্বর ওইবীরম্বা **শ্রীঅসেম ইবোতোম্বী সিংহ**-না হৌখিবা তাং ১৫/১২/২০১৭ ইং, ইরাই নুমিৎতা লৈখিদবদা থৌগল্লুপকী মেম্বর খুদিংমক্না থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকচরি অমদি মহাক্কী থৱায়না তাইবঙ মপুগী লৈকোলদা ঈংনা লৈরুনবগীদমক থৌনিজরি।

*Sd/-* **L. Romeshwor Singh,** ***Secretary***
Wangbrel Ereima Haraoba
Thougallup, Khekman

HL-P/253/21

## /অৱাবা ফোঙদোকচরি



**Khwai Tara Marup, Sagolband Tongbram Leikai** গী Founder Member ওইবীরম্বা Takhellambam Jugindro Singh না হৌখিবা তাং ১৫/১২/২০১৭ ইংদা লৈখিদবদা মরুপকী মেম্বরশিংনা য়েংখোম লৈরক কম্যুনিটি হোলদা তাং ১৭/১২/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা মীনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

*Sd/-* **SECRETARY**
Khwai Tara Marup,
Sagolband Tongbram Leikai

HL-P/257/21

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## SECRETARIAT: FORESTS & ENVIRONMENT DEPARTMENT
## ORDERS BY THE GOVERNOR OF Manipur

Imphal, the 16th December, 2017

**No.3/4/2015-For & Envt.(Pt.III):** Whereas, the Principal Chief Conservator of Forests, Government of Manipur vide his letter No.2/44/2016-Forests(FR) dated 30-12-2016 submitted proceedings of DPC for approval to the appointment of 71 posts of Foresters against the approved 59 posts by direct recruitment & whereas the State Government vide its letter No.3/4/2015-For & Envt.(Pt.III) dated 30th December, 2016 conveyed its approval to the proceeding of DPC. However, the Principal Chief Conservator of Forests appears to have not declared the said results of Foresters till date.

And whereas, the DP, Government of Manipur vide its letter No.27/2/2017-Election/DP(Pt.2)[A] dated 5th December, 2017 conveyed the decision of the Government to cancel the recruitment for which the results have not been notified and declared.

Now, therefore, the Governor of Manipur is pleased to declare the DPC proceeding of Foresters as null and void and further directed the Principal Chief Conservator of Forests, Government of Manipur to hold fresh appointment/recruitmen of the same within 2 (two) months from the date of issue of this order.

By order and in the name of Governor,
*Sd/-* **T. Manihar Singh**
Deputy Secretary (For. & Envt.)
Government of Manipur

HL-P/4293/21&22

ADMISSION OPEN ADMISSION OPEN

**ACTIVE LEARNER ACADEMY**

Sagolband Khamnam Bazar
Near- MIT & I.T.I Takyel Imphal

**MATHEMATIC FOUNDATION COURSE**

Both (BOSEM & CBSE)

**CLASS STARTS ON 15TH JAN. 2018**

CLASS TIMING : 6:00 A.M.

*Faculties :*
**Sir, Bhogeshwor**
*25th Years of Teaching Experience, M.Sc. Maths Gold Medalist, Dr. Ambedkar University, Agra*

**Sir, Hemlet,**
*1st Class M.Sc. Maths*
*Manipur University, 10th years of Teaching Experience*

CLASS TIMING : 6:00 A.M.

Contact : 9856460221

HL-B/4296/21, 22, 23

**B.C.C. Manipur**
*Under the guidance of* BOSEM/COHSEM Estd. 1995

KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
The Longest Coaching Centre in Manipur & 22 years service
Run by Resource Persons and Examiners of BOSEM & COHSEM

**ADMISSION OPEN**

**CLASS X & XII Sc. REVISION COURSE**
CLASS STARTS ON 7th DECEMBER, 2017

**CLASS IX & X FOUNDATION COURSE**
CLASS STARTS ON 14th Dec., 2017

HURRY UP! Class Timing & Office Hours : Evening : 4:30 pm to 7:30 pm

HURRY UP! Please Contact: Office of the BCC Manipur Elite Senior Sec. School Building

Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856310202

HL-B/4231/23/11-22/Dec.

## IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

*Ref:- Mut. Case No. 1105/SDC/IW-L/ 2017*

Chanambam (O) Saroda Devi W/o (L) Ch. Nabachandra Singh of Uripok Khoishnam Leikai, A/P Lamdeng Khunou.

*-Petitioner*

*-Vs-*

Late Chanambam Nabachandra Singh S/o (L) Iboyaima Singh of Uripok Khoishnam Leikai.

*-O.P. Party*

### /NOTICE

The 19/12/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার চনম্বম নবচন্দ্র সিংহ, পীং মৃ: ইবোয়াইমা সিংহ, সাং উরিপোক খোইস্নাম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬১-শঞ্জেনবমগী অনৌবা পাট্টা নং ৫৯/৩৯৩, দাগ নং ২৪০/৪৬০ অমসুং এরিয়ানা ০.১২৫০০ চাওবা ইঞ্চোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইঞ্চোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

HL-P/251/21

## IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

*Ref:- Mut. Case No. 1104/SDC/IW-L/ 2017*

Angom Deben Singh S/o (L) A. Angaton Singh of Phayeng Makha Leikai.

*-Petitioner*

*-Vs-*

Late Angom Angaton Singh S/o (L) Tomal Singh of Phayeng Sabal Leikai.

*-O.P. Party*

### /NOTICE

The 19/12/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার অঙোম অঙাতোন সিংহ, পীং মৃ: তোমাল সিংহ, সাং ফয়েং সাবল লৈকাইগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬০-চাকপা ফয়েংগী অনৌবা পাট্টা নং ১৩৭, ১৪৯, দাগ নং ১২৪৫, ৭৩ গী এরিয়া ২.৩৭, ১.১৮ চাওবা লৌফম অমসুং ইঞ্চোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইঞ্চোল, লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

HL-P/251/21